# মণিপুরীগী দিষ্ট্রিক্ট ৪ ফাওনবা য়াবা রোড প্রোজেক্টকী এসিয়ন বেঙ্কনা লুপা ক্রোর ৩৬০ পুথোকপা য়াখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮: ভারত সরকারনা অৱাং নোংপোক লমদমগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ৪ ফাওনবা য়াবা কি মি ৯৭ হেন্না শাংবা অচৌবা রোড প্রোজেক্ট অমা পায়খৎনবা থৌরাং লোয়শিল্ল-কপগা লোয়ননা সরকারগী অকনবা প্রেসরদগী এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্ক (এ দি বি)নসু প্রোজেক্ট অসি পায়খৎনবগীদমক লুপা ক্রোর ৩৬০ হেন্না পুথোক্লবা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওপ দিভেলপমেন্ট এন্দ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোনর)গী সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর স্কিম (সি এস এস) অমা ওইনা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট রোড ইনভেষ্টমেন্ট প্রোগ্রাম (নেসরীপ) হায়না খঙনবা স্কীম অমগী মখাদা পায়খৎকদৌরিবা প্রোজেক্ট অসি মণিপুরগী ওইনা তমেংলোং জিলাগী তুপুলদগী বিষ্ণুপুর জিলাগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর ফাওবা অদুগা থৌবাল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী উখ্রুল জিলাগী কসোম খুল্লেন ফাওদোক ফাওজিন য়াহন্নবা পুমতোং তোঙানবা লম্বীনি।

তুপুল-বিষ্ণুপুর ফাওনগদবা লম্বীগীনা লুপা ক্রোর ১৬৭ লাখ ২৭ অদুগা থৌবাল-কসোম খুল্লেনগী লুপা ক্রোর ৩৬০ লাখ ৬৪ এসিয়ন বেঙ্ক অসিনা পুথোকপগা লোয়ননা লম্বী অনিমক এম এস দ্রাইপল এ বি সি আই (জে ভি) কৌবা কম্পনি অমদা শীন্নবসু য়াখ্রে হায়রি।

প্রোজেক্ট রিপোর্টকী মতুংইন্না তুপুলদগী বিষ্ণুপুর ফাওবগী লম্বীগী অশাংবা অসি কি মি ৫০.৭৫ অদুগা কসোম খুল্লেনদগী থৌবাল ফাওবগী লম্বীগী অশাংবনা কি মি ৪৭.১০ পুন্না কি মি ৯৭.৮৫ ওইগনি।

অৱাং নোংপোক ভারতকী ওইনা মণিপুরগী জিলা ৪গী লম্বী অসি থারগা পুন্না কি মি ৪৩২.৯১ শাংগনি। মসিগীদমক দোনর মিনিষ্ট্রিনা অপুনবগী ওইনা লুপা ক্রোর ২৭৭ লাখ ১ সেঙ্কন তৌখ্রে। থবক পায়খৎপা হৌদ্রিবনা শেলফম অসি মিনিষ্ট্রিনা পাক হেক্তা থাদোরকখিরোই। লম্বী শেম্বগী থবকসু ফোরেষ্ট এন্দ এনভাই- রোনমেন্ট বিভাগকী ক্লিয়ারেন্স পীবদা মতম য়াম্না চঙগদবনিনা হাথু হাথুনা পায়খৎপা ঙমখিরোই হায়রি।

হৌজিক দোনর মন্ত্রালয়না সেঙ্কসন তৌরে হায়রিবা শেলগী শেয়ারনা সিভিল ৱার্ক্স (রোড এন্দ ব্রিজেস)তা ষ্টেট শেয়ার য়াওদনা এ দি বি গী লুপা ক্রোর ১৮১ লাখ ৩৯, সেন্তরগী লুপা ক্রোর ২৮ লাখ ৩১ পুন্না লুপা ক্রোর ২০৯ লাখ ৭, কন্সত্রক্সন সুপরভিজন অমদি কন্সলটেন্টসতা এ দি বিগী ঙাক্তা লুপা ক্রোর ১৪ লাখ ৪৩, রাইত ওফ ৱে সোসিএল এন্দ ইনভাইরোনমেন্টল মেজর্স, রিসেটলমেন্ট, রিহেবিলিটেসন, এনভাইরোনমেন্টল লিটিগেসন, সার্ভিস রিলোকেসন কোষ্টস্তা ষ্টেট শেয়র ঙাক্তগী ওইনা লুপা ক্রোর ৭ লাখ ৫৯, পি আই য়ু কোষ্টতা ষ্টেট শেয়ার ঙাক্তগী লুপা ক্রোর ১ লাখ ৪৫, কেপাসিটি দিভলপমেন্ট এন্দ ইক্যুইপমেন্টসতা এ দি বিগী শেয়ার লুপা ক্রোর ৩৫ লাখ ৩৬, ভারত সরকারগী শেয়ার লুপা ক্রোর ৬ লাখ ৮৯, ষ্টেট সেয়ার লুপা ক্রোর ৫২ অসিনি।

## ফোরেষ্ট ক্লিয়ারেন্স লৌনবা হোৎনবদা থবক্তি হেক্তা পায়খৎলোইদৌরি

নেসরিপ প্রোজেক্ট অসিগীদমক হন্দক্তঃ চিফ সেক্রেটরি শ্রী পি সি লমকুংঙানা চেয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল ষ্টিয়রিং কম্মিটিগী মিটিংদা অচৌবা রোড প্রোজেক্ট অসি পায়খৎলকপদা শোক্নদবা প্রোজেক্ট এফেক্তেদ পার্সন (পি এ পি) শিংগী লমগী ক্ষেতি-পুরন পীবা অমদি খুন্দা লৈতাহন্নবগী মতাংদা য়াম্না হকচিন্না খন্ন-নৈনখ্রে। মিটিং অদুদা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ৪গী দি সিশিংনা সর্ভে তৌবগী রিপোর্ট মপুং ফানা থাগৎলকপা ঙমখিদে। মপুং ওইনা রেসিদেন্সিএল অমসুং কম্মর্সিএল ষ্ট্রকচর, ৱাটর তেঙ্ক, ৱাটর সপ্লাই পাইপ লাইন অমদি রিতেন্নিং ৱালনচিংবা কয়াসু মাং তাক্লক্লনি হায়বগী কালকুলেসন ৱাৎপদগী ঙমখিদবনি হায়রি।

মসিদসু নত্তনা মীফম অদুদা তমেংলোং অমদি উখ্রুলগী দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসার (দি এফ ও)শিং অদুগা ৱের্ষ্টন অমসুং ইষ্টর্ন সার্কলগী কঞ্জার্ভেটর ওফ ফেরেষ্টশিংনা পুখৎললকপা রিপোর্টশিংদা য়ুন্ফম ওইবা অশম্বা রিপোর্ট অমসুং প্রিন্সিপাল চিফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্টসনা থমখি। রিপোর্ট অদুগী নুংগী ওইবা মচাক্তি ফোরেষ্ট ক্লিয়ারেন্সতা মতম য়াম্না চংগনি হায়বসিনি।

মরু ওইনা তুপুল-বিষ্ণুপুরগী ফোরেষ্ট লেন্দ হেক্তর ৬.৯৪ অমদি ময়াই কৈথেল-কসোম খুল্লেনগী হেক্তর ৯.৫৫ দাইভর্সন তৌবদা অরুবা ওইগদবনা মতম হেন্না চংগদবনি হায়রি। অরোইবদা চিফ সেক্রেটরিনা মীফম অদুদা দি সি অমদি ফোরেষ্ট বিভাগনা ৱারফুতিংদা থবক পায়খৎনবা ইন্সত্রক্সন পীখিবগা লোয়ননা রিসেতলমেন্ট এন্দ রিহেবি-লিতেসন প্রোগ্রাম (আর আর পি) হান্না পায়খৎনবা এন জি ও (নন-গভর্মেন্টেল ওর্গনাইজেসন) খরা রিক্রুট তৌনবা শিন্নখি হায়রি।